# হিরো আই লীগ ২০১৮–১৯

## নেরোকাগী ফেরৈরা অমদি ৱিল্লিয়মগী গোলনা মোহন বগানবু মায়থিবা পীখ্রে

Hero I-LEAGUE



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ইরাই নুমিৎতা নেরোকাগী ৬শুবা হোম মেটচ ওইনা শান্নখিবা হিরো আই লীগকী ৫১শুবা মেটচতা য়ুম্থু নেরোকা এফসিনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্লব অমদি লীগ অসিগী টাইটল কন্টেন্দর অমসু ওইরিবা মোহন বগানবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট অহুম মুনখ্রে।

নেরোকানা মেটচ অসি মাই পাকখিদুনা হৌখিবা লীগ মেটচ মরিদা মাইথিদুনা লাকপগী লম্বীদা অদুমক মখা চংখরকপা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী গোলশিং অদু নেরোকাগীনা ইদুৱাদো ফেরৈরা অমদি অরিয়ন ৱিল্লিয়মনা চনখি। মোহন বগানগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা হেনরি কিসিকানা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা নেরোকাগী কোচ মেন্যুয়েল ফ্রাইলিনা মমাংগী হোম মেটচতা মিনর্ভ পঞ্জাবকা শান্নখিবা ষ্টর্টিং ১১ অদুদগী সরন লৌথোক্লগা নাওরেম তোন্দোম্বানা মহুৎ শীনদুনা শান্নখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা টিম অনীমক্না আশা লৈনা অঙনবা গোল চন্নবা হোৎনদুনা শান্নখি। অদুবু নেরোকানা এটেক্ট হেনগৎলক্তুনা শুভাসনা য়েৎ ৱিংলোমদগী পুশিল্লকপা বোল অমদা মোহন বগানগী দিফেন্দরনা ঙাকথোক্তুনা য়ুম্থুনা কোন্নর কিক ফঙখি।

কোন্নর কিক অদু নেরোকাগী জপানিস কাটসুমি য়ুশানা নিংথিনা কাওরক্তুনা ব্রাজিল্লিয়ান ইদুৱারদো ফেরৈরানা এৱে টিমগী দিফেন্দরশিংগী মার্ককিং অদুদগী নাম্থোরক্তুনা বোল অদুবু অহাংবা নেট মনুংদা চঙহনদুনা য়ুম্থুনা গোল মাংজিল থাখি।

হাল্ফ মমাংদা মোহন বগাননা গোল হন্দোক্নবা শান্নরবসু নেরোকাগী শান্নরোইশিংনা এৱেগী এটেক্টশিং অদুবু গোলদা ওম্থোকহনদনা অহানবা হাল্ফ ফাওবা ফেরৈরাগী গোল অদুনা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এৱে টিমনা অনৌবা লানলোং শিজিন্নদুনা বোল য়াংনা শান্নরক্তুনা কিনো ৱাক্কী, দোমিনিক, দিকানা নেরোকাগী মাইকৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চংখরক্তুনা য়ুম্থুগী দিফেন্দরশিংবু মথৌ চিলহনখি।

মেটচ অসিগী মিনট ৬৩ দা মোহন বগানগী জর্সি নম্বর ১৫ দেরেন দোমিক্না য়েৎকী ৱিংদগী বোক্স তম্না তৌরকপা ক্রোসিংদা টিম অসিগী ফোরৱার্দ হেনরি কেসেক কনানা য়ুম্থুগী দিফেন্দরশিংগী অশোইবগী তাঞ্জা লৌরদুনা গোল অদু লালিট থাপাবু মায়থিবা পীরম্লগা গোলদা ওম্থোক্তুনা মেটচ অসিগী লমজেলদা অমুক হল্লকখি।

অদুবু গোল হন্দোকখ্রবা মতুংদা য়ুম্থুনা শোম্বা লৈতনা গোল হাপচিন্নবা মোহন বগানগী মাইকৈদা এটেক্ট অমুক চংখরকখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা গোল চল্লবা মতুংগী মিনট ৬ কান্নরগা মিনট ৬৯ দা নেরোকানা ফঙখিবা কোন্নর অমদা মোহন বগানগী কিপর সঙ্কর রোইনা ঙাকথোরক্তুনা সুভাসনা তাখি।

সুভাসনা বোল অদু কাওশিনবদা বোক্স মনুংদা পনদুনা লৈরিঙৈদা নেরোকাগী মিট ফিল্ডরদা আরিয়ান ৱিল্লিয়মনা বোল অদু কাওশিনদুনা নেটতা চঙহল্লগা গোল ওম্থোক্তুনা তুমিন্না লৈরম্বা য়ুম্থুগী ভাবকশিংবু পুক্নিং লুমহনখি।

মখা তারকপা মিনটশিংদা মোহন বগাননা এটেক্ট হেঞ্জিল্লক্তুনা গোল হন্দোক্নবা শান্নরবসু নেরোকাগী দিফেন্দর কালোন অমদি ফেরেরানা নিংথিনা মথৌ খঙনা শান্নদুনা এটেক্টশিং অদু গোলদা ওম্থোকপা ঙমহনদনা মোহন বগানদগী পোইন্ট অহুম মুনবা ঙমহৌখি।

| Club | | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Real Kashmir | 10 | 5 | 3 | 2 | 13 | 6 | 7 | 18 |
| 2 | Chennai City | 9 | 5 | 3 | 1 | 16 | 10 | 6 | 18 |
| 3 | NEROCA | 10 | 5 | 3 | 2 | 13 | 8 | 5 | 18 |
| 4 | East Bengal | 9 | 5 | 1 | 3 | 17 | 12 | 5 | 16 |
| 5 | Mohun Bagan | 10 | 4 | 3 | 3 | 13 | 12 | 1 | 15 |
| 6 | Churchill Brothers | 9 | 3 | 4 | 2 | 16 | 10 | 6 | 13 |
| 7 | Minerva | 10 | 3 | 4 | 3 | 6 | 6 | 0 | 13 |
| 8 | Gokulam | 9 | 2 | 4 | 3 | 11 | 12 | -1 | 10 |
| 9 | Indian Arrows | 8 | 2 | 1 | 5 | 3 | 12 | -9 | 7 |
| 10 | Aizawl FC | 9 | 1 | 3 | 5 | 9 | 15 | -6 | 6 |
| 11 | Shillong Lajong | 9 | 1 | 1 | 7 | 10 | 24 | -14 | 4 |

নেরোকানা মেটচ ১০ দা পোইন্ট ১৮ ফঙদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে। অমদি মাইথিরবা মোহন বগান মেটচ ১০ দা পোইন্ট ১৫ ফঙদুনা ৫শুবা মফমদা লৈরি।

নেরোকাগী মথংগী মেটচ জনুৱারি তাং ৪ দা এৱে মেটচ ওইনা শিল্লোং লাজোংগা শান্নরগনি।

লীগ অসিগী ঙসি কোলকাতাগী ৱাইবিকে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্লুইস ইষ্ট বেঙ্গল অমদি রিয়েল কাস্মির এফসি গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু লালরাম চুলোভানা মিনট ৪৬তা আউল গোল ওইনা রিয়েল কাস্মিরগী গোল চনবিখি অমদি জোবি জস্টিননা মিনট ৫৭ দা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনখিবনি।

# ১৪শুবা ষ্টেট ৱুমেন অমদি অনীশুবা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ

ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন (এএমপিএ) না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা নুপীগী টিম ৫ অমদি জুনিয়রগী টিম ৬না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ১৪শুবা ষ্টেট ৱুমেন অমদি অনীশুবা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ (য়ু–১৬) পোলো টুর্নামেন্ট শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী নিংথৌ মেদিঙুং লৈশেম্বা সনাজাওবানা চিফ গেষ্ট অমদি এএমপিএগী প্রসিদেন্ট ডাঃ কে সরতচন্দ্রনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী জুনিয়র বোইজকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কেকেএমএমআরএস (এ) না থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা কেকেএমএমআরএস (এ) মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা কেকেএমএমআরএস (এ) গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ ফিজম সসিকুমার মৈতৈনা মিনট ৫.৫২ দা পাঞ্জল অমা, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ ফিজম সসিকুমার মৈতৈনা মিনট ০.৫২ দা পাঞ্জল অমা অমদি জর্সি নম্বর ৪ সোইবম প্রিয়োনা চক্কর অসিগী মিনট ৫.০৫ অমদি ৬.৩০ দা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ সসিকুমার মৈতৈনা অমুক মিনট ৪.২৫ তা পাঞ্জল অমগা চনদুনা মায় পাকখি।

হয়েংগী মেটচতা এক্স পোলো ক্লব অমদি কেএনএমএমআরএস (বি) গা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা ১৪শুবা ষ্টেট ৱুমেন পোলো টুর্নামেন্টগী অহানবা মেটচতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লব না তেন্থা পোলো ক্লবপু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১০–০ দা মায়থিবা পীদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লব মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ অসেম রোমাবাটিনা মিনট ০.১৪ অমদি জর্সি নম্বর ৪ লাইশ্রম থবোই চনুনা মিনট ৪.৫৫ তা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ সলাম সুমিতানা মিনট ২.২৭, ৭.২২ দা পাঞ্জল অমদি জর্সি নম্বর ৩ ওইনাম অশাকিরননা মিনট ৪.২৬ তা পাঞ্জল অমা চনখি।

অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ সলাম সুমিতানা মিনট ১.০৫, জর্সি নম্বর ৪ লাইশ্রম থাবোইনা মিনট ২.৩৪, জর্সি নম্বর ১ অসেম রোমাবাটিনা মিনট ৫.৩০ অমদি জর্সি নম্বর ৩ ওইনাম অশাকিরননা মিনট ৭.০৫ তা পাঞ্জল অমমম চনখি। অমসুং মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২২ সলাম সুমিতানা মিনট ৪.৫৯ দা পাঞ্জল অমগা চনদুনা মেটচ অসি মাই পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

হয়েংগী মেটচতা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লব (বি) অমদি কেকেএমএমআরএস না শান্নরগনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ৫না শরুক য়াদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা বিএমএসসি গ্রাউন্দা চংখরিবা ৮শুবা কাংজম করনজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দব্লিউসি ঙাইরংবম অমদি পময়াল পাটসোই মায় পাকখ্রে।



সেকেন্দ ফুটবোল লীগ অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা দব্লিউএসসি ঙাইরংবমনা এমটিএসয়ু মালোম্বু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা দব্লিউএসসি ঙাইরংবমনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকশিন্না শান্নদুনা এমটিএসয়ুগী শান্নরোইশিংবু দিফেন্স খক্তমক মথৌ তৌহনখি।

মেটচ অসিগী মিনট ১৫ চৎপদা দব্লিউএসসি ঙাইরংবমগী জর্সি নম্বর ৭ আই বিক্রমনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা মাংজিল থাখি।

দব্লিউএসসিগী অনীশুবা গোল অদু চন্নবা হোৎনবদা অহানবা গোল অদুগা মিনট ২ খক্তমক কান্নদুনা মিনট ১৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ এম সুরাজনা অনীশুবা গোল চনখি।

গোল অনী মাংজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ মমাংদা এমটিএসয়ু মালোমনা গোল হন্দাক্নবা হোৎনদুনা অহানবা হাল্ফকী মিনট লোইরকপা ৩১ দা জর্সি নম্বর ৭ পিঐচ মানিসনা গোল হন্দোকখি।

অনীশুবা হাল্ফতা দব্লিউএসসি ঙাইরংবমনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎরক্তুনা জর্সি নম্বর ১৭ এন অনন্দনা মিনট ৫৬ অমদি থংনবা মিনট ৫৭দা গোল অনী চনদুনা ৪–১ দা মাংজিল থাখি।

মখা তারকপা মিনটশিংদসু দব্লিউএসসি ঙাইরংবমনা বোল পোজিসন মাংদনা শান্নদুনা মিনট লোইরমদাই ৬৬তা জর্সি নম্বর ৭ আই বিক্রমনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগীনা মঙাশুবা গোল চনদুনা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা দব্লিউএসসিগী জর্সি নম্বর ১৭ এন অনন্দদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি ৱাই সমরজিৎ, এন সন্তোস, এস প্রেমকুমার অমদি কেঐচ রঞ্জিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা পাময়াল পাটসোইনা এসৱাইপিএ সেকমাইবু য়াম্না লাকচনা গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা পাময়াল পাটসোইগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৬ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি।

গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৬ কেঐচ প্রবানন্দনা মিনট ৩, ৪দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১১ এল এদিসননা মিনট ২৪, জর্সি নম্বর ৭ এল চাওতোন মিনট ২৭, জর্সি নম্বর ৯ এমদি চাওবানা মিনট ৩১ অমদি জর্সি নম্বর ৫ দব্লিউ প্রেমচান্দনা মিনট ৩৪ দা গোল অমমম চনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ কেঐচ প্রবানন্দনা মিনট ৫৩ অমদি জর্সি নম্বর ৭ এল চাওতোননা মিনট ৫৬তা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা ঐচ মাহেস, টি হেমন্ত, এনজি নাওচা অমদি এ জেমসননা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৩০ দা এসদিসি শমুরৌ অমদি পময়াল পাটসোইনা অহানবা গ্রাউন্দ অমসুং এমটিএসয়ু মালোম অমদি এসৱাইপিএ সেকমাইনা অনীশুবা গোলদা শান্নরগনি।

# টিঐচ রধামানি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ

ঙসি নুংথিল পুং ২দগী হৌদুনা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা যিম ৬না শরুক য়াদুনা ১৬শুবা টিঐচ রধামানি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফার্ষ্ট দিভিজন ২০১৮ গী ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা জেৱাইসি টিমনা এলঐচৱাইসি টিমবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অসিদা এম ব্রজাকান্ত সিংহ, প্রসিদেন্ট, জিরিবাম ওলেম্পিক এসোসিয়েসন, জিরিবামনা ফিরাল চিংখৎলক্তুনা ১৬শুবা টিঐচ রধামানি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফার্ষ্ট দিভিজন ২০১৮ অসি হৌদোকখিবনি।



ঙসি হৌদোকপগী নুমিৎ অসিদা ঐচৱাইসি অমদি এলঐচৱাইসি টিম অনীনা শান্নখি। জেৱাইসি টিমনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা এলঐচৱাইসি টিমনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ মমাংদা জেৱাইসি যিমগী শান্নরোই রোপুইথাং না ৩শুবা মিনটতা ঙুরথাংসো না ৩৩শুবা মিনটতা অমদি চলচুংনুং না ৩৮শুবা মিনটতা গোল ৩ চনদুনা জেৱাইসি টিমগী একাউন্ট হাংদোকখি। অদুগা এলঐচৱাইসি টিমগী শান্নরোই সমুয়েল না ১৪শুবা মিনটতা গোল অমা চনদুনা ফার্ষ্ট হাল্ফ মমাংদা জেৱাইসি টিমনা এলঐচৱাইসি টিমদগী গোল ৩–১ ওইদুনা মাংজিন থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা জেৱাইসি টিমগী কেলভিন না ৬১শুবা মিনটতা, রোপুইথাং না ৬৬শুবা মিনটতা অমদি চলচুংনুংনা ৭৮শুবা মিনটতা গোল অহুম অমুক চনখি। মখা তানা এলঐচৱাইসি টিমবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

# চিনিকোল য়ুঠ ক্লব সুপর দিভিজনদগী তাম্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চংখরিবা অনীশুবা এল ইতোমচা মেমোরিয়েল ফুটবোল লীগকী ১৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি চিনিকোল য়ুঠ ক্লব (সিৱাইসি) অমদি সাই এস এ জি না শান্নগদবদা সিৱাইসি শান্নবা লাক্তবদগী লীগকী কম্মিটিনা টিম অসিবু চংখরিবা অনীশুবা এল ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ অসিদগী মাপান থোকহনখিবগা লোয়ননা আর্টিকল নম্বর ১৪ (২) অসিগী মখাদা লুপা লিশিং ৫ ফাইল তৌনবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী সিঐচ তোম্বা সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ফার্ষ্ট অমদি সেকেন্দ দিভিজন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা চংখরিবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা মেটচতা বিএফএ নাচৌ অমদি টিৱাইদিএ তৌবুল গোল চান্নদনা দো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিদা টিৱাইদিএ তৌবুলগী জর্সি নম্বর ১৫ এল লোয়াঙাম্বা য়েল্লো কার্দ অনী বুক তৌবদগী মেটচ অসিগী মপাল থোকহনখি।

মিনি ষ্টেদিয়ম অসিদা চংখরিবা টিম ১২না শরুক য়াদুনা শান্নরিবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেটচতা এমপিআইআইৱাইএ মোইরাংনা টিঐচএএসসিও খা খুনৌবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এমপিআইআইৱাইএগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ সুরাজনা মিনট ১৭, ১৯ অমদি ২৭তা গোল অহুম চনদুনা হেদত্রিক ফঙদুনা মহাক্কী টিমবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুখিবনি।

সেকেন্দ দিভিজন অসিগী হয়েংগী মেটচতা এসইভিএ অমদি য়ুৱাইদিসি উপোকপীনা শান্নরগনি।


ADMISSION NOTICE

KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL

(Co-education English Medium School)

AFFILIATED TO CENTRAL BOARD OF SECONDARY EDUCATION, NEW DELHI

Affiliated No. 1230047, School No. 31041

Sagolband Takyel Kolom Leikai, Imphal West

ADMISSION OPEN FROM PREPARATORY TO IX GRADE

CONTINUOUS BEST RESULTS IN CLASS-X

- Introduce Lego based Robotics & 3D Printing into the curriculum.
- Introduce Montessori method of Teaching
- Audio-visual teaching aids & smart class
- CCTV Camera of all class
- 24 hrs wifi internet on school campus
- Computer lab with wifi internet
- Full CCTV Surveillance on school campus
- Introduce RFID based smart attendance system in the school campus and the vans.
- Hygienic RO-Drinking Water
- Hostel Available for boys
- Van Service Available



Prospectus & Registration form available at school

For more details please contact: Principal, Kindergarten Montessori School.

email: kindergarten.imphal@gmail.com

website: www.kindergartenimphal.in

SI/3001/30days alt




IPS CANCHIPUR

ADMISSION OPENS FOR 2019

BOTH SCHOOL & BOARDING

(FROM PRE- NURSERY TO IX)

KFC OF IPS | IPS, CANCHIPUR | SHOOTING RANGE OF IPS | IPS BOARDING



STUDENTS OF IPS BOARDING



Free Private Tuition (3 times a day) for Boarding by the Guest and Non-Guest Teacher

Free Transportation for all the Boarders of IPS Boarding Kyamgei

Free School Fees for all the Boarders of IPS Boarding Kyamgei

For details please contact : 8257807581 (Reception)



মখা তানা থেঙথরগনু !

থুরো !!

নহাক্কী এ. ৱাই. ২০১৮–১৯ আইটিআর তৌরসি

দিসেম্বর ৩১, ২০১৮ গী মমাঙদা

(লেট ফি লুপা ৫০০০ খক্তনি)

দিসেম্বর ৩১ কী মতুংদগী আইটিআরএস ফাইল তৌবগী লেট ফি লুপা ১০,০০০দা হেনগৎলগনি

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ডাইরেক্ট টেক্সেস

অকুপ্পা মরোলগীদমক ঃ www.incometaxindiaefiling.gov.in | কন্টেক্ট ঃ 1800-103-0025/+91 8046122000

davp 15401/13/0054/1819


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com